### য়ুঠ নেসনল বোক্সিং

# মণিপুরনা গোল্ড ১, সিলভর ৩ লৌখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): চেন্নাইগী কট্টনকুলাথরদা লৈবা এস আর এম য়ুনিভর্সিটিদা চথরকপা ৫শুবা য়ুঠ মেন্স এন্দ ৱিমেন্স নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ঙসি মণিপুরনা গোল্ড ১, সিলভর ৩ পূন্না মেদল ৪ ফংদুনা কেম্প্যেন লোইশিনখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপীগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল বাউটতা ষ্টেটকী বোক্সর থোঙাম কুঞ্জরানীনা মহাক্কী হরয়ানাগী ওপোনেন্ট প্রাচিবু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

মহাক্না চেম্পিয়নশিপ অসিগী ফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বীদা সেমীফাইনেল বাউটতা টামিল নাদুগী মালথিবু অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীবা পীরমখি অদুগা ক্বার্টর ফাইনেলদা মহারাষ্ট্রগী ভাইস্নভিবু মায়থীবা পীরমখিবনি।

অমরোমদা, চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপীগী ঙসি শান্নখিবা তোঙানবা ৱেথ কেটগোরিগী ফাইনেল বাউটতা ষ্টেটকী বোক্সর গ্রিভিয়া হুইদ্রোমনা নীরু খাত্রিগী মখূৎতা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংহৌখি।

গ্রিভিয়ানা ফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বী অসিদা অসামগী আইকোন মালিবু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা সেমীফাইনেল বাউটতা মায়থীবা পীরমখিবনি।

অতোপ্পা ষ্টেটকী বোক্সর অনী মেলোদি কিলোং অমদি লমঙানবনা ঙসি শান্নখিবা নুপী অমদি নুপাগী তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটগোরিগী ফাইনেল বাউটশিংদা মখোয়গী লম্বাগী মখূৎতা মায়থীহৌদুনা সিলভর মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি, লমঙানবনা পঞ্জাবকী শিভম শর্মাবু স্প্লিট দিসিজন ৩-২দা অদুগা মেলোদি কিলোংনা মধ্য প্রদেশকী খুশি সিংহবু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মখোয়গী সেমীফাইনেল বাউটশিংদা মায়থীবা পীরমখিবনি।

# বিল্লুবিজ্ঞাননা অহানবা শরুক য়াবদা বেষ্ট প্লেয়র ট্রোফি ফংলক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস):



মশাগী চহী ৬ খক্তা ঙাইরিবা বিল্লুবিজ্ঞান মুতুমনা মহাক্কী পূন্সিগী অহানবা নেসনল করাটে চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াবদা বেষ্ট প্লেয়র ট্রোফিগী মনা ফংবা ঙমখ্রে।

করাটে ইন্দিয়া ওর্গনাইজেসন (কে আই ও)গী এসোসিএট মেম্বর ওইরিবা মশাকিও শিটো র্‌্য করাটে দো ইন্দিয়ানা কামরুপ মেট্রো দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্ট অসাম অমদি ন্যুজপেপর এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগা খূৎশম্ননা শীন্দুনা গুৱাহাটিগী মালিগাওনদা লৈবা নেটাজি বিদ্যাপিথ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা থা অসিগী ৯ অমদি ১০দা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া করাটে চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল ২ ফংবা ঙমখিবনি।

মহাক্না নুপামচাগী চহী ৬কী কাঙলূপকী ইন্দিভিজ্যুএল কাটা অমদি কেজি ৩০গী কুমিটে ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ২ ফংবা ঙমখি।

মহাক পাৎসোই পার্ট ৱানদা লৈবা মুতুম বনকিম অমদি মুতুম সুমিলা লৈমা অনীগী মচানুপানি। মহাক হৌজিক-হৌজিক সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক মচিন্দা লৈবা কিদ কেম্পস স্কুলদা ক্লাস টু তম্লিবা মহৈরোয়নি।

অমরোমদা, বিল্লুবিজ্ঞাননা বেষ্ট প্লেয়র ট্রোফি ফংলকপা অসিদা করাটেথিয়ন ২০২২গী মনুং চন্না ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

### এম এন সী এ এলিট

# রেস নাগামপালনা ক্রাও মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৬শুবা এম এন সী এ দল্লিয়ু প্রহ্লাদ অমদি দল্লিয়ু রমানন্দ এলিট টুর্নামেন্টকী ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা রেস খ্বাই নাগামপাল লামাবম লৈকাইনা ক্রাও খম্নাম বজারবু ৱিকেট ৩দা মায়থীবা পীখ্রে।



মায়থীহৌরবা ক্রাও অমদি রেস অনীনা পূন্না মেটচ ৪/৪ শান্নখিবদা মেটচ অমমম্ মায় পাক্লগা পোইন্ট ২/২ ফংদুনা গ্রুপ এগী টেবলগী মরিশুবা অমদি মঙাশুবা মফমদা লৈরি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা ক্রাও খম্নাম বজারনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর লোইগদবা ওভর ২.১ ৱাৎলিঙৈ ৱিকেট লোইনা তুদুনা রন ১৬০ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা খ্বাই নাগামপালগী টিমনা ওভর ৩৮.১দা ৱিকেট ৭ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা রন ১৬৪ লৌদুনা ক্রাওবু ৱিকেট ৩দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা নাগামপাল টিমগী বেটসমেন এস জয়ন্তনা বোল ৭৯দা রন ৫২ লৌদুনা মেটচ অসিগী রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা শান্নরোয় ওইবা ঙমখি। মহাক্না লোইশিল্লকপদা মেন ওফ দি মেটচকী মনাসু ফংবা ঙমখি।

মহাক্কী টিমমেট নাওসেকপম মালেমঙানবা মৈতৈনা বোল ৮১দা রন ৪২ লৌবা ঙমখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা ক্রাওগী বেটসমেন পোৎশংবম রোনিলনা বোল ২২দা রন ২০ লৌখি।

অহানবা ইন্নিংসকী রেসকী বোলিং তৌবদা কিরন লাইশ্রমনা ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোলিংগী পর্ফোর্মেন্স পীবা ঙমখি। মহাক্কী টিমমেট য়ুমখাম রোমারিও রোইনা ওভর ৬.৫ অমদি অলফ্রেদ মারনা ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখিবনি।

### নোর্থ ইষ্ট ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# অরুনাচল টাইগর্সনা অসাম রাইনোস মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা অনন্তপুরা স্পোর্টস ইভেন্ট প্রাইভেট লিমিটেদ রাজস্থানগী শেন্থং মখাদা শীন্দুনা চথরিবা অহানবা নোর্থ ইষ্ট ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা অরুনাচল প্রদেশ টাইগর্সনা অসাম রাইনোসপু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মেঘলয়া লিওপার্দস অমদি ত্রিপুরা পাইথোন্স ২-২দা দ্রো ওইখ্রে।

সাই আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ তাকয়েলদা অসাম অমদি অরুনাচল অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা অহানবা হাফকী অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি।

কাই রুমিনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৬ শুবা মিনটতা অরুনাচলগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না গোল চনখিবগা মিনট ২গী মতুংদা অরুনাচলগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা য়ুম্লাম লালিনা শান্নবগী ৫৯ শুবা মিনটতা অরুনাচলগী গোল অমগা হাপচিন্দুনা অসামবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিদা রেফরি এন জি অনন্দনা অরুনাচলগী লিংদুম য়ারো অমদি অসামগী পাখিলা বোরা অনীবু শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি। রেফরিনা মখা তানা অরুনাচলগী তামচি সোরামবু অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬০ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমগা বূক তৌখিবনি।

অমরোমদা, মেঘলয়া অমদি ত্রিপুরা অনীনা শান্নখিবা মেটচতা ২-২দা দ্রো ওইখি। মেঘলয়াগী গোলশিং অদুনা আইৱাংলাং অমদি নিসিলিয়া মাজোনা শান্নবগী ২৪ অমদি ৬১ শুবা নিমটতা চনখি। ত্রিপুরাগী গোলশিং অদুনা সকচার্ন্টি রিয়াং অমদি ধনিতা রিয়াংনা শান্নবগী ৫৭ অমদি ৭৬ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেফরি ঈ দেবলানা মেঘলয়াগী আইবাপ্লিলাদপু শান্নবগী ৭৫ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

# ষ্টার ক্লব উৎলৌনা শসাসিসো ট্রোফিগী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরগী লমজিং মখাদা শসাসিসো ফুটবোল ক্লব ওইনাম অমদি উশক খঙদবী ক্লব কম লাইব্রেরি অনীনা শীন্দুনা ওইনামদা লৈবা শসাসিসো ফুটবোল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরকপা অহানবা শসাসিসো ট্রোফি ৫-এসাইদ ওপন সোক্কর টুর্নামেন্টকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ষ্টার ক্লব উৎলৌনা কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাইবু ৭-৬দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।



টিম ৩০না শরুক য়াদুনা জুন ২৫দগী হৌদুনা চথরকপা টুর্নামেন্ট অসিদা শসাসিসো এফ সী ওইনামনা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমগী মনা ফংবা ঙমখি।

ৱিন্নর ওইখিবা ষ্টার ক্লব উৎলৌগী ইংসননা বেষ্ট প্লেয়র, কে ৱাই ভি ওগী জেক্সননা বেষ্ট স্কোরর অমদি হেলোই এফ সীগী ও সনানা বেষ্ট গোলকিপরগী মনা ফংবা ঙমখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা দি এস এ বিষ্ণুপুরগী প্রসিদেন্ট ৱাই নবানা অথোইবা মীথুংলেন অমদি শসাসিসো টর্ফ ওইনামগী প্রোপাইটর নামৈরাকপম শ্যামসুন্দরনা থৌরম মপূ ওইনা শরক য়াখিবগা লোয়ননা ৱিন্নর ওইখিবা টিম ষ্টার ক্লব উৎলৌদা ট্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৩০ অমদি রন্নর্স অপ তাখিবা কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাইদা ট্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১৫ খূৎশিন্নখি।

# টুর্নামেন্ট অহুমগী মেনেজর্স মীটিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা তোঙান-তোঙানবা টুর্নামেন্টশিং ৪শুবা এস টি এস এম অন্দর-১৫ গলর্স ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমদি ১৩শুবা অস্ফা সিনিয়র্স ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ২০২২গী টিমশিংগী মেনেজর্স মীটিং থা অসিগী ১৩গী নুংথিল পুং ২দা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২২গী ওইনা জুলাই ১৪দা চপ মান্নবা মফম অমদি মতমদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্টশিং অসিদা শরুক য়াগদবা টিমশিংগী মেনেজর অমদি সেক্রেটরিশিংনা মীটিং অসিবু মতম চানা শরুক য়ারনবা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা, ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মেটচ কম্মিস্নরশিংগী ওইবা কম্পিটিসন মেনেজমেন্ট সিষ্টম (সী এম এস) অমদি রিফ্রেশর কম রিক্রুইটমেন্টগী মতাংদা ৱর্কশোপ অমা থা অসিগী ১৫ অমদি ১৬কী অয়ূক পুং ৭তা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি। ৱর্কশোপ অসিদা মেটচ কম্মিস্নর খূদিংমক্না শুংশোয় শোয়দনা শরুক য়ানবা খঙহল্লক্লি।

# ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ শান্নখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ)কী লমজিং মখাদা শংশক বট্টালিয়ননা শীন্দুনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী সোর্দে, পুংঙে, সোরাথেন, খন্বী অমদি মেলিং ভিলেজগী নহাশিংগা লোয়ননা অসাম রাইফলস ট্রুপশিংগী ওইবা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ অমা ঙসি শান্নখ্রে।



থৌরমগী মনুং চন্না লমদম অদোমগী নহাশিংদা শান্ন-খোৎনবনা হকচাং ফনা থন্বা, থকশি-খাশি লৈহন্নবা অমদি পূন্সিদা টিম স্পিরিট লৈহন্নবগী মরুওইবশিংগী মতাংদা ৱাফমশিং থমখি। ইভেন্ট অসি আর্মদ ফোর্সেস রিক্রুটমেন্টকী প্লেটফোর্ম অমা ওইনবা লমদম অদোমগী নহাশিংগী টেলেন্ট খঙদোক্লবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

# ইন্দিয়ানা স্পেনগী মখূৎতা মায়থীদুনা হোক্কী ৱর্ল্ড কপকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমহৌদ্রে

তেরেস্‌সা, জুলাই ১১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিমনা কো-হোষ্ট ওইরিবা স্পেনগী মখূৎতা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অঙনবদা শান্নখিবা ক্রোসওভর মেটচতা ০-১দা মায়থীদুনা এফ আই ঐচ ৱর্ল্ড কপ টাইটলগী লমজেলদগী লৈহৌরে।



টিম অনীনা ক্বার্টর অহুম য়াম্না এগ্রেসিভ ওইনা কন্টেষ্ট তৌনরবা মতুং অরোইবা ক্বার্টর লোইগদবা মিনট ৩ ৱাৎলিঙৈদা স্পেনগী মার্টা সেগুনা থক্তোরকপা বোল অমগী মতেংদগী চনখিবা গোলনা ইন্দিয়াগী নুপী টিম নোক আউট রাউন্দদগী মপান থোকহনখ্রে।

ইন্দিয়ানা শান্নবা হৌরকপগী ৮শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি অদুবু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। মখা তানা তাঞ্জা ফংলবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা অরেম্বা তাখি।

ইন্দিয়ানা কেনাদাগা লৈবাক-পোকপা নুমিৎতা ৯দগী ১৬ ফাওবা মফমগী মেটচতা থেংনরগনি।


# মিষ্টর ইম্ফাল ইষ্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসননা শীন্দুনা ২০শুবা মিষ্টর ইম্ফাল ইষ্ট কন্টেষ্ট থা অসিগী ৩০দা খুরাই সজোর লৈকাইদা লৈবা ইমা লাইখুরেম্বী শঙলেন্দা পাঙথোক্লগনি।

কন্টেষ্ট অসিদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা জিমশিংগী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়ানবা খঙহল্লক্লি। কন্টেষ্ট অসিগা মরী লৈননা থা অসিগী ১৭কী নুংথিল পুং ৪দা খুরাই সলানথোংদা লৈবা এসোসিএসনগী সেক্রেটরি অরাবা সোইবমগী শঙ্গাইদা স্পেসল জেনরেল বোদি মীফম অমা পাঙথোক্লগনি।

মীফম অসিদা এসোসিএসনগী মেম্বর, এগজিক্যুটিভ মেম্বর অমদি এসোসিএসননা রেজিষ্টর তৌবা জিমশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়ানবা খঙহল্লক্লি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 511**

**GM R Praggnanandhaa - GM Anish Giri**
**Chessable Masters KO 2022 chess24.com INT, 2022.05.24**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 g6 | 3.Nc3 d5 | 4.cxd5 Nxd5 |
| 5.e4 Nxc3 | 6.bxc3 Bg7 | 7.Bc4 c5 | 8.Ne2 O-O |
| 9.O-O Nc6 | 10.Be3 b6 | 11.h4 e6 | 12.h5 Qh4 |
| 13.Qc1 cxd4 | 14.cxd4 Qxe4 | 15.Rd1 Na5 | 16.Nc3 Qb7 |
| 17.Be2 Bd7 | 18.h6 Bh8 | 19.Bf3 Bc6 | 20.d5 exd5 |
| 21.Bd4 Rad8 | 22.Bxh8 Kxh8 | 23.Nxd5 Bxd5 | 24.Qd2 Qe7 |
| 25.Qc3+ f6 | 26.Rxd5 Rc8 | 27.Re1 Qc7 | 28.Qa3 Nc4 |
| 29.Qe7 Ne5 | 30. ... | | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 510 Ans. :**

25. Nh5 Bf8 26. Ngf6+
26. Nhf6+ Nxf6 27. Nxf6+ The white knight captures Black's knight, which was defending Black's pawn. Kh8 28. Qxh7# Damiano's knight mate
26. ...Nxf6 27. Nxf6+ The white knight captures Black's knight, which was defending Black's pawn. Kh8 28. Qxh7# Damiano's knight mate
1-0

# ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): চহী অসিগী ওগষ্টকী অহানবা অমদি অনীশুবা চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী শান্নরোয়শিংগী ওইবা ট্রায়ল কম সেলেক্সন অমা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১৬ অমদি ১৭তা ৱাংবলদা লৈবা এসোসিএসনগী হোলদা পাঙথোক্লগনি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা জুনিয়র অমদি সিনিয়র শান্নরোয়শিংনা ট্রায়ল সেলেক্সন অসিবু শরুক য়ানবা এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এ কে দিজাঙ্গোনা খঙহল্লক্লি।

**LOAN AVAILABLE**

1) Business Loan (Rs. 50,000 to 25 lakhs 12% P.a)
2) Housing / Home renovation Loan (upto 30 lakhs 12% P.a)
3) Machinery / 2/4 wheeler Loan
4) Electronics / Electrical Loan
5) Personal / Pension Loan

Sd/- L.G. Finance
Khagempalli, Imphal West
# 8731978490 / 9774495994
HL-B/7700/22/7-19/8(alt)
Branches :- Nambol, Thoubal, Kakching, Moirang and Samurou

**HHG Academy**
Excelling human Development
A CO-ED Hr. sec. school Affiliated to COHSEM No. 1/96/96

**ADMISSION OPEN**
FOR
**Class XI Science 2022-23**

*Facilities:*

1. 80% and Above- School sponsorship & Scholarship.
2. 70%-below 80% will get a concession of Rs.12,000/- (limited)
3. 60%- below 70% will get a concession of Rs. 6500/-
4. Students of single parents and marginalized family will get a concession of Rs.12000/-(limited)
5. 2 Years integrated course for NEET, JEE and NDA.
6. Separate Hostel for Boys and Girls.
7. School bus Service.

*School Performance Record*

| Pass Percentage | Year |
|---|---|
| 100% | 2017 |
| 100% | 2018 |
| 100% | 2019 |
| 100% | 2020 |
| 100% | 2021 |
| 100% | 2022 |

✔ For Admission details contact: Office of the HHG Academy, Ghari Mamang Leikai near Emoinu Oil pump, Imphal-01
Phone: 8974783327/9383359473/6909613792 or log on website www.hhgacademy.in
HL-P/3291/11,12,13,14

**SMART TUTORIAL CENTRE**
SINGJAMEI SUPER MARKET
ADMISSION OPEN
WEBSITE: https://smarttutorial.org/
BOSEM/COHSEM/CBSE Separate class
SCIENCE,ARTS & COMMERCE
MEDICAL, ENGINEERING & NDA course for 2023
16th FOUNDATION COURSE 2022 (2nd batch) FOR CLASS IX,X,XI &XII
CLASS START : 27th June ,11st JULY & 18th July 2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
CALL: 8787601123, 03857966211
Experience Teachers from (FORMER & WORKING IN)
CBSE SCHOOL: UNACCO, MARIA MONTESSHRI,KV Lamphelpat, KANAN DEVI & SISHU SIKSHA NIKETAN
BOSEM/ COSHEM: MECI, COMET, XTRA EDGE,HERBERT, IPS & STANDARD ROBERT
HL-B/7728/10/7-6/9(alt)

**SPOKEN ENGLISH**
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7634/28/6-18/7(alt)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com